# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-02-2025)**

--অহানবদা মরুওহ্বা পাউ--

১)  সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদগী খুৎশু খুৎলায় অমদি আইন্না থিংখ্রবা লুপকী মীওই্ কয়া ফাগৎখ্রে।

২)  রাজ্য অসিগী বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংগী ওই্বা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা অথুবা মতমদা সরকার শেমবা থৌরাং তৌরগনি হায়রি।

অমসুং

৩)  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা অহানবা সোল লিদরসিপ কনক্লেভ হৌদোক্লগনি।

------

এরেষ্ট (এল) ঃ   সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চত্থরি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা থৌবাল ডাম পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা বুংপা খুল্লেলদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়- ফাগৎলবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফলগী মেগজিন অমা, বেওনেট অনি, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী ইন্সাস রাইফল অমা, মেগজিন মরি, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী মেগজিনগা লোয়বা এম.এ.এস সেরিজগী বোল্ট এক্সন স্নাইপ্পর অমা, তুয়েল্ভ বোর দবল বেরেল গন অমা, মেগজিন য়াওনা পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, হেন্দগ্রেনেদ, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অমদি লানদা শিজিন্নবা

পোৎলমশিং য়াওরি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা ঙারিয়ান চীংদগী পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী মীওই অমা ফারে হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়- হায়রিবা মীওই অসি মীয়ামদগী শেল খাবদা চেন্নবনি। মঙোনদগী কেমোফ্লেগ কোম্বেট দ্রেস অমা, মিলিটরি বুট অমা, মোবাইল ফোন অনি অমদি ৱাল্লেট অমা ফংবা ঙমখি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা ঙাইখোং খুল্লেনদগীসু কে.সি.পি(সিতি মৈতৈ)গী মীওই অমা ফাখি হায়রি। মীওই অসিদগী মোবাইল ফোন অনি, আধার কার্দ অমা ফংবা ঙমখি হায়রি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী ৱাক্তা ফৌগাকচাউ ইখায় পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা সেরিকলচর গেট নম্বর টু মনাক্তগী মীওই অনি ব্রাউনসুগরনি চিংনবা পোৎশক কিলোগ্রাম অমা গ্রাম ৮৬৬ গা লোয়ননা ফারে হায়রি। থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবা কেসশিং লৌখৎলে হায়রি।

এমএলএ (এল)ঃ শিংজমৈ কেন্দ্রগী এম.এল.এ- য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য অসিগী বি.জে.পিগী এম.এল.এশিংগী ওইবা অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অথুবা মতমদা সরকার শেমবা থৌরাং তৌরগনি।

মণিপুরদা রাষ্ট্রপতিগী সাসন থমখ্রবা নুমিৎ ৬ নিগী মতুং ঙরাং বি.জে.পিগী এম.এল.এ খরনা দল অসিগী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এ. সরদাগা উন্নদুনা এম.এল.এশিংগী অপুনবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা অথুবা মতমদা সরকার শেমবা হোৎনবীয়ু হায়না তকশিনখি হায়রি। এ. সরদাগা উন্নবা লোইরবা মতুংদা হান্নগী মন্ত্রি শ্রী ৱাই. খেমচান্দনা হায়- মুখ্য মন্ত্রি ওইরম্বা নোংথোম্বম বিরেন্না ফম থাদোকখ্রবা মতুংদা দল অসিগী এম.এল.এশিং পুন্না মীফম অমত্তা পাঙথোকপা লৈত্রি। হৌজিক্তি দল অসিগী প্রসিদেন্ট এ. সরদাগা তান্নদুনা এম.এল.এশিংগী ওইবা মীফম কৌদুনা সরকার শেমবা হোৎনবা তঙাইফদে। হৌজিক ওইরিবা রাজ্য অসিগী রাজনীতিগী ওইবা ফিভম অসিদা মীয়ামা বি.জে.পি দলগী মনুংদা ৱাখল্লোন খেন্নবা অমদি লিংজেল মান্নদবা লৈরিব্রা হায়না খন্নরিবা অদু দল

অসিগী ওইনদি এম.এল.এশিং অমত্তা ওইনা লৈরি, রিজনেল রাজনিতি দল শেল্লবা য়াই হায়না ঙাংনরিবা ৱাফম অদুসু ওইরোইদবা ৱাফমনি হায়না শ্রী খেমচান্দনা মখা তাখি।

লংথবাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ- করাম শ্যাম, লম্লাইগী কে.ঐচ. ইবোমচা, হিয়াংলমগী ডাঃ ৱাই. রাধেশ্যামনা বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট এ. সরদাগা হান্না উন্নখি। মদুগী তুংদা, ময়াং ইম্ফালগী এম.এল.এ- কে. রোবিন্দ্রো, অন্দ্রোগী এম.এল.এ থৌনাউজম শ্যাম কুমার অমদি থাঙ্গগী এম.এল.এ- টি. রোবিন্দ্রোসু লাক্কুনা শ্রীমতি এ. সরদাগা উন্নদুনা ৱারী শাখি।

প্রোগ্রাম (এল)ঃ নুমিৎ ৬ নি চুপা পাঙথোক্কদবা হায়র ইজ্কেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা মথৌ তৌরিবা মীওইশিং অমদি ওজাশিংদা লোইশঙ শিন লাংবদা হেন্না হৈথোই শিংথোইনবা হায়বা হিরমদা থৌরম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী কোর্ট হোলদা হৌদোক্লগনি। থৌরম অসি য়ু.জি.সি মালাভিয়া মিসন টিচর ত্রেনিং সেন্তর মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা শিনবনি।

এলপিজি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা রিলিফ কেম্প অমদি টেম্পররি সেল্টর হোমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চাক থোংনবা এল.পি.জি সিলিন্দর ঙসি য়েন্থোক্লগনি।

এল.পি.জি সিলিন্দর অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী কমপ্লেক্সতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা অয়ুক পুং ১০ মখায়দগী হৌরগা য়েন্থোক্কনি ।

প্রোগ্রাম-২ (এল)ঃ নেসনেল সাইন্স ডে, ২০২৫ গা মরী লৈননা ক্বান্টম সাইন্স এন্দ টেকোলোজি হায়বা হিরমদা মালেমগী চহিগী ওইবা ৱার্কসোপ অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতা পাঙথোক্লগনি। ৱার্কসোপ অসি রিছাস ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি মণিপুর অমসুং মণিপুর সাইন্স এন্দ টেকোলোজি কাউন্সিল অনিনা পুন্না শিনবনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা অহানবা সোল লিদরসিপ কনক্লেভ হৌদোক্লগনি। থৌরম অদুদা ভুতানগী প্রধান মন্ত্রি দসো সরিংনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াবগা লোয়ননা কনক্লেভ অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীগনি।

নুমিৎ নিনি পাঙথোক্কদবা কনক্লেভ অসিদা তোঙান তোঙানবা হিরমশিং মরুওইনা রাজনীতি, শান্ন-খোৎনবা, আর্টস অমসুং মিদিয়া, লাইনিং লাইশোলগী ওইবা হিরম, পাব্লিক পোলিসি, লল্লোন ঈতিক অমদি খুন্নাইগী তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা মশক থোকা থবক তৌরিবা লুচিংবশিংনা মখোয়গী পুন্সিদা থেংনরকপা অৱা নুংঙাই ৱারীশিং লীগনি।

অমরোমাদ, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ৯৮ শুবা অখিল ভারতিয়া মারাঠি সাহিত্যা সম্মেলন হৌদোক্কনি। নিউ দিল্লিদা নুমিৎ হুনি চথগদবা সম্মেলন অসি পেন্নেল দিস্কসন, বুক একজিবিসন, কলচরেল পার্ফোমেন্স অমদি শকাইরবা অইবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাবগী থৌরমশিং য়াওরি। নিংশিংবা য়াই, মারাঠি লোল অসি হন্দক্তা কেন্দ্র সরকারনা ক্লাসিকেলগী লেঙ্গুএজগী থাক্তা চলহনখিবনি।

পাইলোত ঃ কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কে. রাম মোহন নাইদুনা পাইলোতশিংগী ওইনা ইলেক্ট্রিক পার্সনেল লাইসেন্স (ই.পি.এল) ঙরাং নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে। ই.পি.এলগী মতেংনা পাইলোতশিংনা মশা মশাগী লাইসেন্স তাম্থোকপা অমদি লাইসেন্স রিন্যু তৌবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা পাউমীশিংগা উন্নবদা মন্ত্রিনা হায়- পাইলোতশিংগীদমক ই.পি.এল হৌদোকপা অসি মালেমগী মনুংদা ভারতনা অনিসুবা লৈবাক ওইরি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- পাইলোতশিংদা ই.পি.এলগী খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লকপা অসি দিজিতেলগী লমদা অচৌবা অওনবা অমা পুরকপা ঙম্বনি। মন্ত্রিনা হায়- সিভিল এভিএসন মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা এভিএসন, এয়ারপোর্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা অনৌবা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা অওনবা পুরকবগী মাৎয়েং থল্লি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অমিত সাহনা অৱাং নোংপোক্কী ইন্সরজেন্টশিংদা হায়- মীয়ামা শান্তি পান্মী, হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসিগী মনুং চন্না নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা খুৎলায়শিং সরেন্দর তৌ হায়বা পাউ অমসু বোক্স আইটেম ওইনা ফোংলি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদা- শান্তি হঞ্জিল্লকবগী খোঙথাং ওইনা চীং অমসুং তম্পাক্কী নহাশিংনা পায়রিবা খুৎলায়শিং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা সরেন্দর তৌনবা খঙহনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল অমদি মোর্নিং বেলদাা পাউ অসি অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতগী সেক্রেটরিয়েটতা ফমবা থৌরাংলম্বদু ঙনখৎখ্রে, ঙসিদগী গভর্নর আজয় কুমার ভল্লা সেক্রেটরিয়েটতা ফমদুনা থবক শুবা হৌরগনি হায়বা পাউনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মণিপুরদা পি.আর থল্লকখিবা মতুং পায়খৎলক্লিবা থৌরাং- সরদানা বি.জে.পিগী এম.এলএশিং মথং মথং কৌদুনা উন্নখ্রে, অপুনবা মীফম পাঙথোক্কুনা অনৌবা লৈঙাক শেমনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তানা অনৌবা রিজনেল পার্তি শেম্বগী ৱাখল মঙদা মঙ্গ্রা তানবনি হায়না খেমচান্দ ফোংদোকখিবা ৱাফম অসিগা লোয়ননা লৈঙাক শেমহনবীয়ু হায়না এম.এল.এ ১৫ না সরদাদা চেরোল পীশিনগদৌরি হায়না অনিসুবা হেদলাইন পীরি।

------